আই সী এ আর সোসাইটি ন্যু দেল্লীগী মেম্বর কে ঐচ নবকুমারনা লৌমীশিংদা স্প্রেয়র অমদি সিদ প্রদক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা মিল্লেট অমদি থেংনা থাবা য়াবা ফৌদি লৌমীশিংদা য়েন্থোকখিবা

NATIONAL SERVICE SCHEME

দোন বোস্কো হায়র সেকেন্দরি স্কুল মরামগী এন এস এস য়ুনিটনা শীন্দুনা চত্থরকপা বন মহোটসব লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থাননবা উ চারাশিং ভলন্টিয়রশিংদা য়েন্থোকখিবা

আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী ককচিং বট্টালিয়ন্না লোনা য়াদবা মওংদা লৈবাক লান্না পুশিল্লকপা লুপা লাখ ৪২.৬০ রোমগী ওইগদবা ৱিন চুরুট অমদি গোজিলা কোইল মীওই ৪গা কোন্ননা ফাগৎখিবা

সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থরকপগুম পি ঐচ সী খুম্বোংদা চত্থখিবা কোভিদ-১৯গী এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমসুং পোষ্টর কেম্প্যেনদা ডোক্তর অমনা ৱা ঙাংবা

শক্লাইরবা আর্টিষ্ট নবা ভোল্যুম লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): শক্লাইরবা মণিপুরগী আর্টিষ্ট মীয়াম্না নবা ভোল্যুম হায়রগা খঙনবা নিংথৌজম নবচন্দ্র হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা কোলকাটাদা লৈবা রবিন্দ্রনাথ টেগোর ইন্টরনেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ কার্দিএক সাইন্সেসতা লৈখিদ্রে। মহাক মশাগী চহী ৭২ শুখ্রে।

ম্যুজিক, ঠিএটর অমসুং ফিল্মগী লমদা শক্লাইরবা মণিপুরী আর্টিষ্ট নবা ভোল্যুমনা লৈখিদবা অসিদা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস)না অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মণিপুর আর্ট অমসুং ফিল্ম ৱর্ল্দদা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। মহাক মণিপুরী কৱালি 'মীৎচান্নবা থোক্লবা, ঐগী মীৎয়েংদা কনা লৈরি ঙাওরোইদবা'কী প্লেবেক সিঙ্গর ওইবদা নত্তনা মণিপুরী দব ফিচর ফিল্ম *উমংগী মী*গী ফিল্মগী ম্যুজিক কম্পোজরসুনি। মহাক সোং এন্দ দ্রামা দিভিজন, ন্যু দেল্লী, মিনিষ্ট্রি ওফ আই এন্দ বি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর ওইনসু থৌ পুরমখি হায়না এম এস এফ দি এসকী সেক্রেটরি সঞ্জু বাচস্পটিময়ুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৪৩দা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মেদিকেল সেলগী কনভিনর অমদি কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে এস ঐচ কালানা সেবা হি সঙ্ঘথনগী মখাদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে। তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু মরী লৈনবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিংদা খুৎশিন্নখি।

এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা মণিপুরগী মফম খূদিংদা চত্থরকপা কোভিদ-১৯ এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম কম কোভিদ-১৯ পোষ্টর কেম্প্যেন পি ঐচ সী খুম্বোংদসু পাঙথোকখ্রে। এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম অসিগা মরী লৈননা পি ঐচ সী খুম্বোংগী এম ও, ডা. ঐচ রাজো মৈতৈনা হায়খিবদা, মীপুম খূদিংমক্না কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকপীদুনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি। ভেক্সিন কাপ্পা লাক্লিবশিংনসু এস ও পি ঙাক্লা চৎপীয়ু। পি ঐচ সী খুম্বোংনা মীয়ামগীদমক লৌফম থোকপা থৌদাং লৌগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): দোন মোস্কো হায়র সেকেন্দরি স্কুল মরামগী এন এস এস য়ুনিটনা হৌখিবা জুলাই ১দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা বন মহোটসব ২০২১ ঙরাং লোইশিনখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা উমং-ৱামংগী মরুওইবশিংগী মতাংদা নহা ওইরিবশিংদা খঙহন্ননবা 'ইনভাইরনমেন্টেল রিভিলেসন বিগিন্স ৱিথ গ্রিনিং মাদরলেন্দ' হায়বা থীমদা লাই য়েকপা, পোষ্টের মেকিং অমদি শৈরেং ইবগী চাংদম্নবা কয়াসু পাঙথোকখি। লোয়ননা স্কুল অসিগী অকোয়বা অমদি মফম কয়াদসু উ চারাশিং থাখি।

এ আরনা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী ককচিং বট্টালিয়ন্না লোনা য়াদবা মওংদা লৈবাক লান্না পুশিল্লকপা লুপা লাখ ৪২.৬০ রোমগী ওইগদবা ৱিন চুরুট অমসুং গোজিলা কোইল মীওই ৪গা কোন্ননা ফারে। ফারবা পোৎলমশিং অদু পল্লেলদা লৈবা কষ্টম দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মণিপুরগী লৌফমশিং কোয়না চৎতুনা য়েংবদা ঈশিং অমসুং হার ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লহৌরি : লৌমী লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী লৌফমশিং কোয়না চৎতুনা য়েংবদা হার অমসুং ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লহৌরি হায়না মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থা অসিগী ৩, ৪ অমদি ৫দা মণিপুর লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট এন সিংহজিৎনা লুচিংদুনা সেক্রেটরি ঐচ ইবোবী, মেম্বর টি ঐচ মেঘা অমসুং এস নিমাই য়াওবা টিম অমনা কোয়না চৎতুনা লৌফমশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম য়েংশিনখ্রে। ইঙা লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা লৌ পানবা য়াবগী নোংজু ওইদবনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টশিংগী তম্পাক্কী লৌকোল কয়াদি চাদা ৭৫দি ঈশিং লৈতবগী কংবা উরকখি। ইম্ফাল ইষ্টকী দোলাইথাবী দামদা ঈশিং লৈরবসু কেনেল মওং তানা লোইশিন্দবনা শিনাম কোম, সম্বৈ, হরাওরৌ অমসুং পাঙ্গৈ ৱাইতোনগী লৌখোংশিং ঈশিং ফংদনা লৈরি। দামগী নোংপোকথংবা কেনেলগী উয়ুংপোককী এরিয়া খরসি নত্তনা সেক্তা, কৈবী, পুংদোংবম, চংনুং লৌকোলশিং কেনেল শেমদবনা দামগী ঈশিং য়ৌদ্রি। লম্লাই, খুরাই, কৈরাও, থোংজু, ক্যামগৈ লৌকোলশিং ঈশিং ফংদ্রি। হৈঙাং এ সীগীসু ঈথৈ ফংদবনা নোংগী ঈশিংনা উগদবা লৌ পরি ময়াম অমা কংদুনা লৈরি। লোইতাং খুনৌ, ফয়েং, সঞ্জেনবম, অন্দ্রো লৌকোল, হুইকপ লৌকোলসু লৌ পানবা য়াদ্রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ককচিং এরিয়াগী লৌকোলসু শরুক অহুম থোকপগী অনী ঈশিং ফংদবনা কংদুনা লৈ। তেন্থা, ৱাংজিং, লাঙথেল, খোংজোম, য়াইথিবী কংনা লৈরি। থৌবাল, খাঙবোক, খেকমন, মোইজিং সোরোক নাক-য়েৎকী লৌকোলশিং ঈশিং কংলি। টিদ্দিম রোদকী নম্বোল এরিয়াগী চরোৎ কোম, শাজোর লৌকোল, লৈমপোকপম, পুখ্রম্বম ঈশিং ফংদ্রি। বিষ্ণুপুরগী চিংজুম্না উবা লৌফম খরা নত্তনা অতোংবা লৌফমশিং লৌ পানবা য়াদ্রি। লোক্তাক লিফ্‌ট ইরিগেসনগী মোইৱাং লো কেনেলনা ঈশিং পীগদৌরিবা নিংথৌখোং, থিনুঙ্গৈ, ফুবালা, সুনুসিফাই, নরান সাইনা, মোইরাং খুনৌ, কৈরেন ফাবীগী লৌকোলশিং ঈশিং থাদবনা পানবা য়াদ্রি। কুম্বী এ সীগী লৌকোল অয়াম্বসু লৌ পানবা য়াদনা লৈহৌই।

ময়াই লম্বীগী লৌ উবা য়াবা লংথবাল, কাঞ্চিপুর, ফুল্লৌ, চজিং লৌকোল, হাওরেবী, করাম, নরানকোঞ্জিল লৌকোল, শামুরৌ অৱাং লৈকায়, ৱাঙ্গৈই অমসুং য়ুম্লাম হুইদ্রোম তোপকী লৌকোলশিং ঈশিং কংদুনা ৱানরে। লোয়ননা চীংখোং চীংয়াগী চীংজুম্না অমসুং পাৎ-কোম ময়াদা লৈবা লৌ পানখ্রবা লৌফমশিংগীসু হার মথৌ তারকপদা ফংদবগী ৱানরে। ফংলবসু লুপা ৭০০/৮০০দা লৈদুনা ৱানা চাইনৈ। লৈঙাক্লদি হার মতম চানা মমল তানা ফংহনগনি হায়বীখ্রগা ল্লেকতা ফংবোই ফংদবোই মমল হেন্না লৈনরে। মমাঙদা মণিপুর লৌমী লূপনা হার মতম চানা সবসিদাইজ রেটতা ফংহল্লু, লৌমীশিংনা ইম্ফালদা চৎতুনা হার লৌবগী অৱাবদু কোক্ল বা এ সী-এ সীগী কোওপরেটিভ সোসাইটিগী গোদাউনদা হার থম্বীয়ু অমসুং মতম লৈরিঙৈদা দাম, প্রোজেক্ট, কেনেল অমসুং আর এল আইগী থবকশিং শেমজিন শাজিনবীদুনা লৌউ পান্থা নংনবা হোৎনবীয়ু হায়জখি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা অথুবা মতমদা কোক চুংশিন্নদুনা লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং কোক্লবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নরেন্দ্র মোদিগী কেবিনেট রিসফল মীখলগী খুদোংচাবা লৌবনি : সী পি আই

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী কেবিনেট রিসফল মীখলগী খুদোংচাবা লৌনবনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই), মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা ঙরাং য়ুনিয়ন কেবিনেট নৌনা হোংদোক-হোংজিন তৌখিবদা চহী ২ ফারক্লবা কোভিদ-১৯গী শাফুনা শোকহল্লবা মশীং য়াম্লবা কাঙলুপশিংদা অহোংবা অওনবা মঙাল ফংহন্ননবা পান্দম মখাদা নত্তে। শুপ্নগী কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট মঙাগী এসেম্লী মীখল অমসুং কুমজা ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা অমুক হন্না পৱার পায়বা ঙম্মনবা মীৎয়েং অমগী মখাদনি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা লৌই।

অতোনবা কাঙলুপশিংদগী দলিট লুচিংবা, ও বি সী লুচিংবা খরা কেবিনেট মিনিষ্টর ফম থিন্দোকপগী খোঙথাং অসি মশীং য়াম্লবা অতোনবা কাঙলুপশিং মচোয়-মচোয় তাহন্ননবা খোঙথাংনি। কুমজা ২০২২গী অঙনবদা পাঙথোক্কদবা উত্তর প্রদেশ এসেম্লী মীখলদা বি জে পিনা অমুক হন্না পৱার পায়বা ঙম্লবা ষ্টেট অসিদগী এম পি অমখক অনৌবা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌহনখিবা অদুনা শেংলবা খুদমনি। কোভিদ-১৯ মায়োক্লবা ঙমদবগী মিংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্স বর্ধনবু ফম থাদোকহনখিবা অদু মনুং হুৎনা নৈনরবদি নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেন ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক ফম থাদোকফম থোকপনি।

লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন কাং-খোং চাইহল্লিবসিসু দিটেক্টর অমগুম্না তৌনিংবদা তৌবা নরেন্দ্র মোদিগী অশোয়বা থৌশিলদগীনি। অরোনবা শেনফমশিং ফাগৎনবা মিংদা দিমোনিটাইজেসন থৌশিল হৌদোক্লবগী অকনবা শাফু কোক্তিঙৈ তানফমদা হাথু হাথুনা জি এস টি চৎনহল্লুবা অদুগা লৈবাক্কী ইকনমিক গ্রোথ হন্থরকপনি হায়বসি মমিং লৈরবা ইকনমিক্স কয়ানা য়ানরবা ৱাফমনি। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা অখন্নবা থৌশিল কয়া শেম্বদা অখণ্ড-অহৈ কয়াগা মচা খায়না তান্নবা ৱাৎখিবা, পব্লিক কর্ফিয়ু লাউথোক্তুনা নুমীদাংদা মৈ মুখৎলগা পুখম-তেঙ্গোৎ থিল্লগা কোভিদ-১৯গী ভাইরস ঙাকথোক্লবা হোৎনখিবা অদু অশোয়বা খোঙথাংনি। লৈবাক্কী লুরবা ফীভম অসিদা কোর্পোরেট মপু খরগী অহেনবা শেন্থোক লাকহন্ননবা অনৌবা ফার্ম বিল অহুম নম্ফুন্দা পাস তৌখিবা অমদি ইলেক্ট্রিসিটি এমেন্দমেন্ট এক্ট, ২০২১ ওর্দিনান্স ওইনা চৎনহনখিবদুনা মীশিং য়াম্লবা লৌমী-শিন্মী শিংনরুবদগী শেন্মীৎলোন মনিং হল্লকপনি। লৈঙাক অসিনা থম্মোয় শেংনা চাউখৎপা, অহোংবা পুরকপা পাম্লবদি প্রাইভেটাইজেসনগী থৌশিল অমসুং নিও লিবরেল ইকনমিক পোলিসী হন্দোক্লবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা মীয়ামগী ৱাকৎশিং তানবা হোৎনগদবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফ্লাইট ৬না মীওই ৬২৭ ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপী-নুপা অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ৬২৭ ঙসি ফ্লাইট ৬না ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.২০ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-২২৫১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাতিদা পল্লগা লৈরম্বা নুপা-নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ১৫৮ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। অয়ুক পুং ১১.৪৫ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৭১৩ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ৪০ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদনা এয়র ইন্দিয়া ৯আই-৭৪১ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটা, গুৱাহাতি অমদি দিমাপুরনচিংবদা পল্লগা লৈরম্বা মীওই ৪৭ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ১৭৭ রোম পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। নুংথিল পুং ২.১০ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৭১৪ ফ্লাইট অসিনা আইজোলদা পল্লম্বা মীওই ২৫ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুংথিল পুং ২.৪০ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩৫৮ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ১৮০ রোম পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি হায়রি।

মরকসিদা তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৬না ইম্ফালদগী গুৱাহাতি, আইজোল, দিমাপুর, কোলকাটা অমদি দেল্লীনচিংবদা চৎখিগদবা মীওই ৫৬৯ রোম পুখি হায়রি।

লৌমীশিংদা স্প্রেয়র য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): আই সী এ আর সোসাইটি, ন্যু দেল্লীগী মেম্বর কে ঐচ নবকুমারনা লৌমী ৫০দা স্প্রেয়র য়েন্থোকপগা লোয়ননা সিদ প্রদক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা মিল্লেট অমদি থেংনা থাবা য়াবা ফৌদিশিং কুম্বী বজারদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়েন্থোকখ্রে। লৌমী কয়ামরুমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ডা. আর কে রঞ্জনবু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা ৱাশক লৌখিবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

'পার্লিয়ামেন্ট ঘেরাও তৌবদা শরুক য়াগনি'

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): থাউগী মমল হেনগৎপা য়ানিংদে, সঙযুক্তা কিষান মোর্চানা পার্লিয়ামেন্ট ঘেরাও তৌবদা শরুক য়াগনি হায়না লেফ্‌ট পার্টিজ কোওর্দিনেসন কম্মিটি মণিপুরগী জোইন্ট কনভিনর কাঙজম মনোরঞ্জননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সঙযুক্তা কিষান মোর্চানা শীন্দুনা ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা থাউগী মমল হেনগৎপা অমদি তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মমল হেনগৎপগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মণিপুরদা লৈরিবা লেফ্‌ট পার্টিশিং- সী পি আই, সী পি আই-এম, আর এস পি অমসুং এ আই এফ বিনা মপুং ফানা শৌগৎলি। সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিগী মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী করিসু খন্দনা থাউগী মমল হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ৩৬রক হেনগৎলিবা অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু থওইদবনি হায়না সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোক্লি। লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোক্লবা লাক্লিবা জুলাই ১৯দগী ফমগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসন অসিদা জুলাই ২২ দগী হৌদুনা ঘেরাও তৌবদা মণিপুরগী লেফ্‌ট পার্টিশিংনা শৌগৎকনি অমদি শরুক য়াগনি হায়না সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

'ওজা ৱাৎপগী অৱাবা লৈরিঙৈদা ট্রান্সফর তৌখিবা লাইবক থীবনি'

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): সী আই কোলেজ বিষ্ণুপুরগী ওজা মশীং ৱাৎপগী অৱাবা লৈরিঙৈ মরক অসিদা অমুক কোলেজ অসিদগী ওজা য়ুটিলাইজ/ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর থোরকপসি মহৈরোয়শিংগী লাইবক য়াম্না থীবনি হায়না সী আই কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই রোজা সহানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক কোলেজ অসিগী জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্ট অসি ওজা অনীখক্তনা ফঙ্কসন তৌরি। মসিদা ওজা অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজদগী য়ুটিলাইজ তৌরগা লৈরি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মহৈরোয় মশীংনা য়াম্বা মরম্না দিপার্টমেন্টসিগী ওজা খরা থাবীরক্লবা হায়র ওথোরিটিদা হান্নদগী হায়জখ্রে।

ইংলিস দিপার্টমেন্টসু হৌজিক ওজা অনীখক্তনা ফঙ্কসন তৌরি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মহৈরোয় মশীংগা ওজা মশীংগা য়েংনবদা মহৈরোয় মশীংনা য়াম্না য়াম্বা হেল্লি। পোলিটিকেল সাইন্সকী হান্না ওজা মঙা লৈরম্মী। মমাঙদা ওজা অনীদি মোইৱাং কোলেজ অমসুং চুড়াচান্দপুর কোলেজদা ট্রান্সফর তৌবীখ্রে। ট্রান্সফর তৌবীখিবা ওজা অনীগী মহুৎসু থাবীরক্তিঙৈ মরক অসিদা অমুক ওজা অমা চুড়াচান্দপুর কোলেজদা য়ুটিলাইজ তৌননবা হায়র ওথোরিটিনা ওর্দর থোকপীরক্লে। মতৌ অসুম্না ওজাগী মশীং ৱাৎপনা কোলেজ অসি অৱবা ফীভমদা লৈরি। হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্ট অসি চহী ১০গী মমাঙদগী ওজা অমখক্তনা পুরগা লাকই। হায়র ওথোরিটিদা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ওজা খরা থাবীরক্লবা হায়খ্রবসু থবক ওইনা পাঙথোকপীদ্রি। অসুক লুরবা তানফম অসিবু করিসু থৌশাবীদনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মরম অসিনা অথুবদা দিপার্টমেন্টশিংগী অৱাৎ-অপাশিং মেনশিনবীয়ু অমদি ওজা মহুৎ থাবীরক্তনা লৈরিবা ওজাশিং ট্রান্সফর/য়ুটিলাইজেসন তৌবা তারগদি মহৈরোয়শিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর অমদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লম্লাই মন্দলগী চ্যেরমেন টি ঐচ ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা য়ৌরবুং, য়ৌরবুং খুনৌ, নুঙ্গৈই খুনৌ, সঞ্জেনবম খুনৌ, শওম্বুং থোংখোংগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদা শেল য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা অদুদা লম্লাই কেন্দ্র কোভিদ এৱ্যেয়র্নেস এন্দ এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন এ যামিনি, তখেল সঞ্জেনবম জি পিগী প্রধান এম নিংথেম, বি জে পি লম্লাই মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি এল শ্যামসু শরুক য়াখি।

কে ঐচ ইবোমচানা হায়খি, মীয়াম্না কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা টেষ্ট তৌথোক্তুনা পোজিটিভ ওই, ওইদে হায়বা খঙদোক্তুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্তুনা লায়না-লাইচৎ অসি মায়থীবা পীমিন্নরসি।

ডা. নন্দকিশ্বরনা ভেটিরিনরি দিরেক্টরগী চার্জ পুরগনি



ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ওইরম্বা ডা. হাওবিজম চাওবনা থবক পায়বগী মতম লোইদুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮দা রিটয়র্দ তৌখিবদগী ভেটিরিনরি কম্মিস্নারনা মতম খরা দিরেক্টরগী চার্জ পুদুনা লাকখিবা অদু দিপার্টমেন্ট অসিগী জোইন্ট দিরেক্টর (প্লান্নিং) ডা. সী ঐচ নন্দকিশ্বরনা নৌনা ভেটিরিনরিগী দিরেক্টরগী চার্জ পুরগনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী অন্দর সেক্রেটরি (দি পি) অসেম রঞ্জিনা চনুনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্টর (প্লান্নিং) ডা. সী ঐচ নন্দকিশ্বরনা ইন-চার্জ বেসিসতা দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টরগী চার্জ পুরগনি। মহাক্কী হান্নগী নোর্মেল দ্যুটিগী মথক্তা মহাক্না ফংলিবা গ্রেদ পে অদুদা খুদক্তগী দিরেক্টরগী চার্জ অসি পুরগনি হায়নসু ওর্দর অদুদা পল্লি।

পনবা য়াবদি, ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্ড ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়ন্না ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরগী ফম অসি ইন্দিয়ন ভেটিরিনরি কাউন্সীল এক্ট, ১৯৮৪গী মতুংইন্না মণিপুর ষ্টেট ভেটিরিনরি কাউন্সীলদা রেজিষ্টর তৌরবা ভেটিরিনরি প্রেক্টিসনর ওইবা প্রোফেসনল ভেটিরিনরি ওফিসর অমবু দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টর ওইনা হাপ্পীননবা লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

পুন্না হিংমিন্নসি গ্রুপনা সী ঐচ আই সী অনীদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী মনুংদা কা হেন্না ৱারবা, শোত্থনা লৈরিবা অমদি খুদক্কী ওইবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক্লা মরম ওইরগা অৱা-অনা তারবশিংদা তেংবাঙনবগী ৱাখল্লোন্দা লিংখৎখিবা পুন্না হিংমিন্নসি গ্রুপ (পি ঐচ জি)না ঙসি ৱাংজিং হায় স্কুল অমসুং ললিত মান্দপ হায় স্কুলদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী)শিংদা লৈরিবা ইনমেটশিংগী চাননবা ব্রেকফর্ষ্ট তেংবাঙ ওইনা পীখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গা শাগোন্নরিবা ৱাংজিং-তেন্থা এ সীদা লৈরিবা মীয়ামগী অৱাবদসু শরুক য়াখ্রে হায়না পি ঐচ জিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি হৈখাম চাওবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পি ঐচ জিগী প্রসিদেন্ট পি শান্তিকুমারনা লুচিংদুনা সী ঐচ আই সী অনীদা লৈরিবা ইনমেটশিংগীদমক ব্রেকফর্ষ্ট পীখিবা অদুদা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি জয়দেব, ট্রেজরর টি ঐচ ব্রজকিশ্বর, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি হৈখাম চাওবা, জোইন্ট সেক্রেটরি এম কান্ত, এ অকেলা অমসুং গ্রুপসিগী মরুওইবা মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এস জয়দেবনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা খোংজোম ললিত মান্দপ হায় স্কুল অমদি ৱাংজিং হায় স্কুলদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা ইনমেটশিংদা অয়ুক্কী ব্রেকফর্ষ্ট পীজরিবা অসি পি ঐচ জিগী মেম্বরশিংনা অঙম-অঙম্বা শেল অমদি অচা-অথকশিং পুথোক্লদুনা পীজবনি। গ্রুপ অসিনা এ সী অসিগী মীয়ামগী থৌগল তৌজবনি। মখা তানসু পি ঐচ জিনা লেপ্তুনা অৱা-অনা তারবশিংদা মতেং পাঙখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মহাবলিদা লৈরিবা য়োং অমদি অতৈ শা-ষনশিংগী মচিঞ্জাক পীননবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু : পি শরতচন্দ্র

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কুইনা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু তৌরকপনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা মরুওইনা মহাবলিদা লৈরিবা য়োংশিং অসিগী চানবা মচিঞ্জাক ৱাৎলকপনা য়োং কয়া অনা-অয়েক য়াওরে। মরম অদুনা মহাবলিদা লৈরিবা য়োং অমদি অতৈ শা-ষনশিংগী চাননবা মচিঞ্জাক পীননবা ষ্টেট লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎপীয়ু হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী জেনরেল সেক্রেটরি পি শরতচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

মীদিয়াদা থাদোরকপা ভিদিও অমদা পি শরতচন্দ্রনা হায়খি, হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা ঙরাং মহাক্লা মহাবলি হনুমান ঠাকুর মন্দিরদা লৈরিবা য়োংশিং অসিগী চানবা হৈ-রা অমদি কবোকনচিংবা পুরক্তুনা য়োংশিংদা পীজ-পীথক তৌখ্রে। হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ঐখোয় মীওইবনা য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদনা লৈরক্লি। য়োংশিংগী চানবা পুরকপগা লোয়ননা হান্না মন্দির অসিদা মীওই কয়া অমা লাই খুরুম্বা লাক্লম্বা অদু হৌজিক্তি মতম কুইনা লাক্তবনা মরম ওইরগা য়োংশিং অসিনা মচিঞ্জাক চানিংঙাই লৈতবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি।

মহাক্লা হায়খি, লৈবাক অসিগী ওইনসু প্রিভেন্সন ওফ ক্রুএলিটি এক্ট, ১৯৬০ শেমদুনা শা-ঙাশিংদা তাথি-তাওইনা তৌবা য়াদে হায়রিবনি। দেল্লীগী লম্বীশিংদা লৈবা হূই কয়া অমা হান্নদি মফম অদুগী মীয়াম্না থোরক্তুনা চান-থক্লবা পীজরম্বা অমদি হোটেলনচিংবা কয়াদগী অরেম-অখাক কয়া পীজরম্বা অদু কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈখিবনা মরম ওইরগা লম্বীদা লৈবা হূইশিং নারক-য়েল্লকপা য়াওরকপদা নত্তনা শিবা য়াওরকপদগী কোর্টনা ওর্দর অমা থোক্তুনা হূইশিং অসিবু মচিঞ্জাক থাবা য়াহনখ্রে। মহাবলিদা লৈরিবা য়োং অমদি অতৈ শা-ষনশিংসু মচিঞ্জাক ফংহন্ননবা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা লায়রবা মীয়ামদা নফসা অমদি পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা চেঙশিং পীবীরি। মীওইবা ঐখোয়গা লৈমিন্নরিবা শা-ঙাশিংগীসু করিগুম্বা খরদি লৌখৎপীবা চুমগনি। মসিগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপীয়ু হায়নসু পি শরতচন্দ্রনা আপীল তৌরক্লি।

কোভিদ-১৯না লৈখিদ্রবা মচিল-মনাও অনীগী ইমুংদা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপনা মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মচিল-মনাও অনীগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা লুপা লিশিং ৫ মতেং পাঙখ্রে।

তমথীরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকায়দা ঙসি এল এম জি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল কুঞ্জেশ্বর অমদি এদভাইজর ৱাংখেম শ্যামজাই অনীনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবুনা চৎতুনা লুপা লিশিং ৫গী শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে হায়না গ্রুপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

শেলগী তেংবাঙ পীবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এল এম জিগী সেক্রেটরি ওজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবা মচিল-মনাও অনীমক নোংমগী শুরগা চাজবা মীওই ঙাক্তনি। কোভিদ লায়না-লাইচৎনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদ্রবা মখোয় অনীনা থবক শুবা য়াবগী চহী শুদ্রিবা মচাশিং অমদি লোয়নবীশিং হুন্দোক্লম্বনি। মখোয়না হিংলিঙৈ ফাওবদা নোংমগী শুরগা চানবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। ইমুং অসিদা হৌজিক নংলিবা অৱাবা খুদোংথিবা অসিদা খুদক্কী ওইবা তেংবাঙ অসি এল এম জি মণিপুরগী ফন্দদগী মীনুংশিগা লোয়ননা পীজবনি হায়খি।

ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না জুলাই ৬তগী চত্থরকখিবা এৱ্যেয়র্নেস কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্ননবা অমদি কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী থবক খুম্মাং চাউশিন্না চত্থনবগীদমক হৌখিবা জুলাই ৬তগী হৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চত্থরকখিবা এৱ্যেয়র্নেস কেম্প্যেন ঙসি লোইশিনখ্রে।

ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার মান্নুৱামচিংনা লুচিংলগা এদিসনল এস পি লুঞ্জামুং অমসুং সী এম ও, ডা. ফিরথাংলিয়ন বুহরিলনা শরুক য়াদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা এৱ্যেয়র্নেস কেম্প্যেন অসি চত্থখিবনি।

এৱ্যেয়র্নেস কেম্প্যেন অসিনা মীয়ামদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকপনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওইগদৌরিবনি হায়বা খঙহনখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা লৈরম্বা অকিবা কয়াসু কোকহনখি। লোয়ননা সোসল মীদিয়া অমদি অতোপ্পা মওংদা ভেক্সিনগী মতাংদা লান্না শন্দোকপশিংবু থাজদনবা ৱাফম কয়াসু মীয়ামদা খঙহনখি। লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্পু য়াদবা মীওই কয়াসু উনদুনা ৱাখল তাহনখি। লোয়ননা খুল কয়াদা কোভিদ ভেক্সিনেসন কেম্প্যেনসু চত্থদুনা মীওই কয়াসু ভেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না বন মহোটসবকা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম কয়াদা উ চারা কয়ামরুমসু থাখ্রে হায়রি।